# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 13-09-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরি রাজিভ সিংহ্ ঠাকুরনা ঙরাং চুরাচন্দপুর জিলাদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং অমদি রিলিফ কেম্পশিংগী ফিভম য়েংশিনখ্রে।

২) নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্লিবা ব্রিক্স লৈবাকশিংগী অৱাংবা থাক্কী মীফমগী ঙরাং অহৌবা নুমিৎতা নিউ দিল্লি ৱারেপ মোৎ অমত্তা ওইনা য়ান্নখ্রে।

অমসুং

৩) কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা হায়রি- লৈবাক অসিবু অশোইহ্ অঙাম য়াওহন্দনা থমবগীদমক মীয়াম্বু মশা মউ ফনা লৈহনবা তঙাইফদে।

------

সিসিপুর (এল)ঃ রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরি রাজিভ সিংহ্ ঠাকুরনা ঙরাং চুরাচন্দপুর জিলাদা মীফম অমা পাঙথোক্কুনা জিলা অদুদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং য়েংশিনখ্রে অমসুং রিলিফ কেম্পশিংগী ফিভমসু য়েংশিনখ্রে।

দিপ্যুতি কম্মিসনারগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা জিলা থাক্কী ওফিসার খুদিংমক শরুক য়াখি। ওফিসারশিং অদুনা হৌজিক পায়খৎলিবা থৌরমশিং কয়া য়ামা খুমাং চাওশিল্লবা অমদি তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংদা মায়োকরিবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদসু

মঙোনদা পাউদমখি। মীতিন অদুগী তুংদা, শ্রী রাজিভনা চুরাচান্দপুরগী সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎশিংগসু ৱারী শান্নখি। মদুগী তুংদা মহাকা রিলিফ কেম্পশিংদা চত্তুনা আই.দি.পিশিংগা ৱারী শান্নখি অমসুং মখোয়না মায়োকরিবা খুদোংচাদবা কয়া অদুগী মতাংদা পীবা য়াবা তেংবাং পীগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিসনার কৃষ্ণকুমারনা হায়- দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না চাং নাইনা রিলিফ কেম্পশিংদা হেলথ কেম্পশিং পাঙথোক্লি। মহাকা হায়- রিলিফ কেম্পশিংদা আয়ুসমান ভারত্তা মীং চনবা অমসুং চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং গী কার্দশিং য়েন্থোকপগী থবক চথরি। জিলা অদুদা হৌজিক রিলিফ কেম্প ১৯ দা আই.দি.পি লিশিং ৫,১৯৫ রোম লৈরি হায়রি।

ডে (এল)ঃ অশোই অঙাম য়াওদবা হয়েংগীদমক অহানবা লায়েং হায়বা থিমদা ঙরাং বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল এল. শানোই কলেজদা ৱার্ল্ড ফার্ষ্ট এইদ ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

কলেজ অদুগী ইন্তরনেল ক্বালিতি এসুরেন্স সেলনা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতিগা পুন্না খুৎশমদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবমনা হায়- পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিনা মহৈরোইশিংনা খুদোংথিবা মায়োকরকপা মতমদা করমা মায়োকগদগে হায়বদুগী মতাংদা নিংথিনা খঙবা ঙমহল্লগনি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসকী থৌবাল কম্পনি ওপরেতিং বেজনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা থৌবাল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ৱার্ল্ড ফার্ষ্ট এইদ ডে ২০২৬ পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অসাম রাইফলসকী মেদিকেল টিমনা মীওই অমবু মতৌ করমা ফার্ষ্ট এইদ পীগনি অমদি থৱায় কনবা য়াবা থৌরাংশিং করমা পায়খৎকনি হায়বগী মতাংদা নহাশিংদা তাকপী তম্বীখি।

ব্রিক্স ঃ নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপমদা নুমিৎ নিনি চুপা পাঙথোক্লিবা ব্রিক্স লৈবাকশিংগী অৰাংবা থাক্কী মীফমগী ঙরাং অহৌবা নুমিৎতা নিউ দিল্লি ৱারেপ মোৎ অমত্তা ওইনা য়ান্নখ্রে। মীফম অদুগী অহৌবা নুমিৎকী লোইশিল্লকপদা ঙরাং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ৱারেপ অদু পুখৎখিবনি। ৱারেপ অদু পুখৎতুনা পুমমকা অয়াবা পীনবা প্রস্তাব তৌখি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়- দিল্লিগী ৱারেপ অসি ব্রিক্সকী সদস্য লৈবাকশিংগী অপুনবা ৱারেপনি অমসুং লৈবাকশিং অসিনা পুন্না দাইত্ব লৌমিন্নরগা মসি থবক্তা ওন্থোকপা ঙমগনি। শ্রী মোদিনা হায়- খন্ন-নৈনবা অদুনা মতমগা চুনদ্রবা ইন্সটিট্যুসনশিং হোংলক্লিবা মতমগা চুনদ্রে হায়বদু উৎলি অমসুং রিপ্রজেন্টেসন রেস্পোন্সিভনেস অমসুং রুল মেক্কিংদা অওনবা পুরকপা তঙাইফদ্রে। মহাকা হায়- তুংদা লাক্কদবা টেকোলোজিশিং অমদি মখোয়বু শিজিন্নবগী নিয়মগী মতাংদা গ্লোবেল সাউথনা পুন্না শরুক য়ামিন্নগদবনি হায়বা ৱাখল্লোনসু লুচিংবশিংনা ফোংদোকখি। শ্রী মোদিনা হায়- ৱারেপ লৌবা অমসুং মদু থবক্তা ওন্থোকপা হায়বসি অমনা অমবু মতেং পাংনবগা লোয়ননা পুন্না হোৎনমিন্নগদবা থবকি।

থৌরম অদুদা ব্রিক্সনা চহি ২০ শুরকপগী কম্মেমোরেতিভ পোষ্টেজ ষ্টাম্প অনিসু মীফম অদুদা শরুক য়ারিবা লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংনা পুথোকখি।

নদ্দা ঃ কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা হায়রি- লৈবাক অসিবু অশোই অঙাম য়াওহন্দনা থমবগীদমক মীয়াম্বু মশা মঔ ফনা লৈহনবা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদে।

অন্ধ্র প্রদেশতা ঙরাং ক্রিতিকেল কেয়ার ব্লোক ১০ অমসুং ইন্তিগ্রেতেদ পাব্লিক হেলথ লেবোরেটরি ১২ শঙ্গাবগী থৌরমদা শ্রী নদ্দানা হায়- কোভিদ নাইন্তিন লাইচৎনা মীয়ামগী অনা লায়েংবগী মথক্তা খুদক্কী ওইবা লায়নাশিং লায়েংনবগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎকদবনি হায়বদু

খঙহল্লে। মন্ত্রিনা হায়- মসিগী পান্দমদা প্রধান মন্ত্রি আয়ুসমান ভারত হেলথ ইনফ্রাষ্ট্রকচর মিসন অসি হৌদোকখিবনি। স্কিম অসিগী মখাদা লৈবাক শিনবা থুংবদা ক্রিতিকেল কেয়ার ব্লোক ৬৩১ লিংখৎপগী অয়াবা পীরে।

শিবরাজ ঃ কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না ঙরাং লৈবাক শিনবা থুংবদা লৈবা লাখপতি দিদিশিং, সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংগী নুপীশিং অমসুং প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনা গ্রামিনগী বেনিফিসরিশিংগা ভারচুয়েল ওইনা ৱারী শান্নখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী চৌহান্না হায়- নুপীশিং অসিনা লাখ পতি ওইদুনা নুপীদা শক্তি পীবগী খুদম অমা ওইরে। নুপীশিং অদুগী হোৎনবা কনবা অমসুং মশানা মশাবু থাজবা থম্বা অদুগীদমকসু মন্ত্রিনা নুংঙাইবা ফোংদোকখি। মখোয়বু ক্রোরপতি দিদি ওইহন্নবা সরকারনা হোৎনবা য়াবা হোৎনগনি হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

ঈ ঃ ঈ দান তৌবদা হরিয়ানানা থংনা থংননা চহি অহুম্লক লৈবাক অসিগী অতৈ রাজ্যশিংগী মকোক ওইরে। ২০২৫-২৬ তা রাজ্য অদুদা পুন্না ঈ দান তৌবগী কেম্প লিশিং ৮,১৮৯ হাংদোক্কুনা ঈ য়ুনিত লাখ ৫ লিশিং ৮৯ দান তৌখি।

রাজ্যগী হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যার বিভগাকী এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেতরি ডাঃ সুমিত মিশ্রানা হায়- মীওই লাখ ১০ গী চাংদা পাথোকপদা লৈবাক্কী অতৈ রাজ্য পুমমক্তগী ঈ দান তৌবগী চাং হরিয়ানানা ইহেন হেল্লে।

নিউ দিল্লিগী লেদি হারদিংস মেদিকেল কলেজদা ওক্তোবর ১ দা পাঙথোক্কদবা নেসনেল ভোলুন্তরি ব্লড দোনেসন ডেগী থৌরমদা ভারত সরকারনা হরিয়ানাবু ইকায় খুমবা উৎকনি।

ক্রিকেট ঃ  টি-ত্বেন্তি ৱিমেন্স এসিয়া কপকী ফাইনেলদা ঙসি ভারতকা মমাংগী চেম্পিয়ন শ্রীলঙ্কাগা দুবাইদা থেংনরগনি। মেটচ অদু ঙসি নুমিদাং পুং ৮ দা হৌগনি।

সেমি ফাইনেলদা বঙ্গলাদেশপু রন ৪০ দা থোইবগা লোয়ননা গ্রুপ-এগী মকোক ওইনা ৭ লক চেম্পিয়ন ওইরবা ভারত ফাইনেল চংলকখিবনি। শ্রীলঙ্কাসু সেমি ফাইনেলদা পাকিস্তানবু ৱিকেট মরিদা মায়থিবা পীবগা লোয়ননা ফাইনেল চংলকখিবনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

নাগা মীচমশিংগী জষ্টিস ফংহল্লু হায়বা দিমান্দগা লোয়ননা সেনাপতিদা নহাশিংনা খোঙজং চংশিনখ্রে হায়বা পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পেট্রোল্লিয়ম প্রদক্ট পুবা টেঙ্করশিংদা অতমনা খুৎ থারকপগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে হায়বা পাউ, পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদসু অনিস্ৱা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ষ্টিয়ারিং থাদোকপগী খোঙজং লৈঙাক্কা ৱারী শান্নবদা য়ান্নরে, থুগাইরকপা ট্রকশিংগী অকাই অতোই লৈঙাকা লন শিংলগনি হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

য়ু.টি. দিমান্দগী খন্নরমদেঃ জোমি গ্রুপশিং, কুকি-জো সু গ্রুপস হায়বা মীংথোলবুসু য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসন অনিমক্তা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ম্যান্মার মচা অমা ড্রগকা কোন্ননা ঙমখৈদগী ফারে। ড্রগকা কোন্ননা ফাখিবা কুকি অনি চহি ১০ জেলদা হায়বা পাউ অমসু শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

চুরাচান্দপুরদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং চীফ সেক্রেতরিনা য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউ অমা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

লুপা ক্রোর ৫ লাখ ২০ লোমগী ওহ্গদবা কেস  ৪০৪ সেটল তৌখ্রে হায়বা পাউ সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ফাজিল্লুবা নুপী মঙা থাদোরকপদগী জে.টি.সি.এমগী নেসনেল হাইৱে-৩৭ দা তৌরম্বা সট দাউন হন্দোকখ্রে হায়না মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------